

# শাদগী হেন্না তমথিবদি মীওইবগী ব্রাখন চেন্দবা মীনি

## সুর মৈতৈ



দাইরেক্টর দব্লিউ নবা

শা খুদিংমক শাহিং চাদে অদুবু লমচৎতদি শাহিং চাবা শা অমদি লমদা লৈবা শাগা, মীওইবগা চিঞ্জাক্তদি অসুক্কী মতিক খেৎনৈ। মীওইবনা করিগীদমক শাহিং চাদ্রিবনো ? মীওইবনা হায়না খঙনরিবসি করিগীনো? শাশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীওইবনা শা ওইবশিংদগী থোইদোক-হেন্দোক্না ব্রাখন খনবা ঙম্বা শা মখল অমা ওইবনা মীওইবনা শা খুদিংদগী থাক ব্রাংলিবনি। অসিগুম্বা ব্রাখল লৌশিং লৈরবা মীওইব মরক অসিদা মীদি মাম্বা ব্রাখল য়াওদবা শা কয়া অমসু থোক্লক্তুনা চম্না হিংজরিবা মীওই কয়াদা অব্রাবা চৈথেং পীরি। মীচাবা শাশিংবু হাৎতুনা মীওইবগী পুন্সিবু কন্বা থৌনা লৈবা মীশক্তি চাওরবা মনা কয়া পীদুনা ইকায় খুমনৈ। অদুবু শাদগীসু হেন্না তমথিবা ব্রাখল য়াওদবশিং অসিবু হাৎপদি মনা ফঙফম থোকপ্রা থোক্তবরা হায়বা 'দি হন্টর (সিকারি)' না ঙসিগী মীয়ামদা হঙলি।

বানিয়ন রিপেটরি থিএটর অমদি আর্ট এন্দ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর অনিনা খুৎশম্নদুনা চহি অসিগী ওইনা পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল দা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকর্টি ওদিতোরিয়ম হোলদা ফেব্রুৱারি ২৮ দগী মার্চ অহুম ফাওবা চথখিবা নোর্থ ইষ্ট ফেষ্টিভেল ওফ প্লে ২০১৬ পাংথোকখিবদা উৎখিবা দ্রামা ৫ গী মনুংদা থিএটর মিররগী 'দি হন্টর', হায়বসিসু অমা ওইরি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চনবা মার্চ তাং ২ দা উৎখিবা ভগবটি চরন পানিগ্রাহিগী ব্রারিদা কৈশাম প্রীয়োকুমারনা মণিপুরদা হন্দোকপা ব্রারেপ্পা নবনা দ্রমাতাইজেসন, দিজাইন তৌদুনা অমদি দাইরেকসন পীদুনা থিএটর মিররগী আর্ষ্টিসশিংনা শান্নবা দ্রমা 'দি হন্টর' অসিগী ব্রারিদি উমং নক্লা লৈবা ত্রাইবেলগী খুল অমদা ইচম চম্না নুংঙাইনা হিংজবা খুঞ্জাশিংগী মনুংদা মথৌনা লৈবা সরিৎ শারক হৈবা শাদানবা ঘিনুঅ কৌবা ময়ুম পাল্লবা নুপা অমগী অচুম্বা ব্রাখল্লোন্দা দন্দি ফঙখিবা ব্রারি অমনি। উমং নক্লা লৈরুবনা শাথি শাথিবা শা কয়ানা খুঞ্জাশিংবু অব্রাবা পীদুনা লাকখি, মহাক্লা খুঞ্জাশিংবু মতম লৈবা ওইবনা হেন্না চাওবা মনা পীগদবনি হায়খি। দি সি না ঘিনুঅগী ব্রাখল্লোন অদুবু খঙদবদি নত্তে। কৎলক্লিবা মকোক অদুগীদমক্তি চাওরবা মনা পীবদা মতিক চায় অদুবু মীওইবনা শেন্বা চৎনরোল অসিদদি ঘিনুঅ মীহাৎ অমা ওইবনিনা মহাক্কী থৌনা ফখিবগী মনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎনবনা ওইখি।

দ্রমা অসিদা পঙলবা ঘিনুঅগী ব্রাখল্লোন অদুবুদি লাল্লি হায়বদি ঙম্লোই, অদুবু ঘিনুঅনা তৌখিবা থবক অদুদি অরানবা থবক্লি হায়রি। থিএটর মিররগী দাইরেক্টর ওইনা লৈরিবা ব্রারেপ্পা নবনা করিগীদমক ফেষ্টিভেল অসিদা 'দি হন্টর' হায়রিবা ব্রারি অসিবু পাম্না দাইরেক্সন পীরিবনো হায়না খন্থরুবা মতমদা হৌজিক ওইরিবা লমদম অসিদা শাদগী হেন্না থমথিবা কয়া মীরক্তা থোক্লককপা নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লে। ঘিনুঅগুম মথৌনা লৈবা মীশক হৌজিক্কী মতমসিদা মথৌ তাব্রা -তাদবরা? মতৌ করম্না শাদগী হেন্না থমথিরিবশিং ব্রারি অমা ওইবনরা হায়না খল্লি।

দ্রামা অসিদা শক্তম লংলিবশিং ঘিনুঅগী শক্তমদা কে কেপ্টেন, হোইনু (ঘিনুঅগী লোয়নবি) গী শক্তমদা এম দেবিকা , দি সি গী শক্তমদা এল প্রকাস, জেল্লরগী শক্তমদা প্রেমকুমার অমদি খুঞ্জাশিংগী শক্তমদা চিংবোই এন জি রিনা, এ রিবিকা, প্রেমিলা, মোনিকা, সুসিমানচিংবনি। দ্রমা অসিগী ব্রারিং পরিং অয়েংবশিংদা ভাব তানা য়েংহনবা ঙম্না শান্নখি, অয়েংবশিংদা দ্রমা মহাও ফঙহনবা ঙমখি। আষ্টিসশিংগী ষ্টেজ প্রফোমেন্সশিংদা অয়েংবশিংনা হৌনা খুখিবা খুবাক মখোল অদুনা দ্রমা অসিগী মগুণ তাকপা ঙমখিবরা হায়না খল্লি। লমদম অসিদা অসিগুম্বা অফ-ফৎতা কয়াবু খঙহন উহন্দুনা মীয়ামদা মীৎ নাকোং ওইহল্লিবা ব্রারি কয়া দ্রমা ওইনা মশিং য়াম্না পুথোকপগী তঙাইফদা লৈরি হায়না দ্রমা অসি য়েংলুবদা অয়েংবা অমা ওইনা থম্মোইদা ফাওখি।










খিবিক্তা শাশিং অদুবু হাৎতুনা কন্দুনা লাকখি। মহাক্না হাৎপা শা-কৈ শিং অদুগী মকোক কক্তুনা মফম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিন্সরদা খুদোল ওইনা পীদুনা লাকখি। সরকারগী মাইকৈদগী নত্রবসু দি সি অদুনা মহাক্কী মাইকৈদগী ওইরবসু মথৌনা লৈবা ঘিনুবু শেলগী মনা পীদুনা মথৌনা হাপ্তুনা লাকখি। নোংমা শাদগী হেন্না তমথিবা অমগী মকোক কক্তুনা দি সি অদুগী মনাক তম্না অচৌবা মনা অমা ফঙলগনি খন্না হরাওনা লাকখি। মকোক অদু দি সি দা ফিয়োম হায়দোক্তুনা পীবা মতমদদি মীওইবগী মকোক ওইরমখি। মতৌ করম্না মী মকোক অদু শাদগী হেন্না তমথিবা অমগী মকোক্লি হায়রিবনো হায়না হংবা মতমদা ঘিনুঅনা পীরকপা পাউখুমদা শাদি মখোয়গী মচিঞ্জক্কীদমক মীবু চাবনি। মসিগী খ্বাইদগী শাদগী হেন্না তমথিবা মকোক অসিদি মীবু মী ওইনা উবা ঙমদবা, ঙম্মী হায়দুনা মনিং তম্নিংবতা তম্বা, নুপী ওইবিগী ইজৎপু মাংহনবতা নত্তনা হাৎতোকপা, তমথিরবা জিব অমনিহায়খি। মমাং থক্তা হাৎখিবা শাশিং অদুদগী হেন্না তমথিবা জিব অমগী মকোক অসিবু মীরোল তাহনগদগে হায়বচিংবা নৈনবগী অমদি খঙমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা পাউতাক কয়া পীবা অমদি পাউখুম কয়া ফোঙলিবা

ওর্থোবিত কেপ্সুল অমসুং থাউ

লম কয়াদা কান্নরবা, মতম শাংনা ঙাইনদুনা লৈরক্লবা, ফীবম শোক্লবা, য়াম্না লীরবা হকচাংদা চীকপা ফাওবা অথিতিস্ত, খু কাং নাবা, নিংজুদা নাবা, খ্বাং নাবা (লম্বর পেন, স্বেল্লিং পিল মসল, ব্রুস স্প্রেন্স অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা নুংঙাইতবা




ইফেক
আর.ই.পি এলগী মগুণ লৈবা
সাইদ ইফেক

IPS THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
CANCHIPUR
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT

THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS

ADMISSION IS GOING ON FOR 2016 FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX
(BOTH SCHOOL & BOARDING)




* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES

KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE
A BLOCK OF GYM OF IPS
REGISTRATION OPENS FOR FITNESS TRAINING
(BOTH GYM & AEROBIC)



COME AND JOIN AT KFC OF IPS CANCHIPUR AND BE A FIT MAN
GYM HOURS 5AM TO 8PM. TRAINING FEE 500/- ONLY

L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No | POST | QUALIFICATION | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/ LLM | 18-30 | H.Q | 2 |
| 2. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | 18-25 | H.Q | 3 |
| 3. | Accountant | B.COM/M.COM with Tally | 20-30 | H.Q | 3 |
| 4. | Office Assistant | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Thoubal | 2 |
| 5. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Moirang | 2 |
| 6. | Office Assistant | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Sekmai | 3 |
| 7. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Samurou | 2 |
| 8. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Nambol | 2 |
| 9. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Ghari Airport Road | 8 |
| 10. | Driver {Truck(LOCAL) & CAR} | 3 to 5 yrs. experience | 18-25 | H.Q | 2+2 |
| 11. | MECHANIC | 2/3/4 Wheeler | 18-25 | H.Q | 2+2+2 |
| 12. | HELPER | | 18-25 | H.Q | 5 |
| 13. | Grade-IV | VIII Pass | 18-25 | H.Q | 4 |
| 14. | Brick Mistry/Jugali | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 5+5 |
| 15. | Electrician | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 3 |

BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING opp. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, AIRPORT ROAD.

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*